থম্মোয় পাউদম | হুইয়েন ইন্দু

# থাদোক্কুনা চৎখ্রবা অমেরিকা, অমুক হল্লকখিগদ্রা?

২০০১ ওক্টোবরদগী অমেরিকা অমসুং 'নাতো'-মেম্বর-কন্ত্রিশিংগা অফঘানিস্তান'দা খুনলিংদুনা লৈবা তালিবান-ফাইতরশিং অমদি অল-কইদা-কেদরশিংগগী মরক্তা শোক্লরকখিবা লান অদু লোইশিন্নবা অমদি অফঘানিস্তান'দা লৈরিবা মখোয়গী মিলিতরি-ফোর্স অদু ওগষ্ট ৩১, ২০২১ ফাওবগী মনুংদা পূমলৌ লৌথোক্লবা ৱারেপ অমা অমেরিকান প্রসিদেন্ত 'জো বাইদেন'না এপ্রিল থাদা লাউথোকখিব'দুগী মতুংদা- মহাক্কী ফিরেপ অদু চুস্মী/লাল্লি, ইন্তরনেসনেল ইস্যু অমা ওইনা নৈনরক্লি। তালিবান অমদি অল-কইদা কনানো অমসুং করিনো? মমাঙদসু পাউদমজখ্রে, মীয়াম্নসু খঙবীরে-হন্না পাউদমজররোই। অফঘান-লান অসি তশেংনমক শোক্লদবা য়াখিদবা, তঙায়ফদবা অমরা? তঙায়ফদবা অমা ওইরম্লবদি-লান অসি অফঘান অমদি তালিবান, অনীগী মরক্তা শোক্লরমগদবনি। অমেরিকা'না লান য়াওরুবদি-তালিবানশিংনা চঙজফম পীরিবা 'অল-কইদা'না অমেরিকাগী নাপন থুদেকখিবা, ৱর্ল্ড ত্রেদ সেন্তরগী ত্বিন-তাৱর থুগায়দুনা অমেরিকাগী সুপর পাৱর পোজিসন'দুদা শীংনখিবদুগী লমন খুম্ব'দুখক্তনা মরুওইবা পান্দমনি। তালিবান'না লোৎহল্লিবা 'ওসামা বিন লাদেন' নীংথিজনা অমেরিকাদা শিন্নৌ য়াদবদগী লান্দাশিন্দুনা বোম থাদরে, তালিবান গভর্ণমেন্ট থুগায়রে, অনৌবা অফঘান-লৈঙাক অমা শেম্বীরে, তালিবান অমদি অল-কইদা থেংনবা ঙম্নবা লানগী খুৎশু-খুৎলায় বোম-তোপ-নোংমৈ-ফাইতর প্লেননচিংবা মতেঙ ওইনা পীবীরে, অফঘানশিংদা মিলিতরি ত্রেনিং পীবীরে। চহী তরাগী তুংদা 'ওসামা-বিন-লাদেন' পাকিস্তান-আর্মি-হেদক্বার্টর মনাক্তা হাৎখরে। অমেরিকাগী পান্দম'দি অফঘানিস্তান'বু লোই চনশিন্দুনা অমেরিকাগী লৈঙাক-ফিবান (পোলিটিকেল-বাউন্দরি) চাউথোকহনবদু নৎখিদে। অফঘানশিংবু মশা মরোমদোম লৈঙাকচবা অমদি ঙাকথোকচবা ঙমহনবদুনি। ২০১১, 'বিন-লাদেন' হাৎলবা মতুংদদি 'নাতো-এল্লায়েন্স-পার্টনর'শিংনা তকশিল্লকখি-পান্দম অসি ২০১৪ ফাওবগী মনুংদা ফংননবা হোৎনগদবনি, লান লোইশিনগদবনি। ২০১৪ য়ৌশিল্লকপদা অমুক হায়নরক্কনি 'চহী অমত্তংগা য়েংখিসি'। ২০১৫ য়ৌরকপদসু, অমুক হন্না চহী অমগা। তালিবানশিংগী 'লুমফু-লানজঙ'গী তার্গেত'সু মীরৈবাক'কী লান্মীশিংদনি।

অসুম্না, চহী কুন লান-শোক্লরবা মতুংদদি খঙলক্লে- 'জস্ত ৱান ইয়র মোর' হায়বা ৱাহৈসিনা প্রোব্লেমসিগী সোল্যুসন নত্তে। লোইনাইদবা লান অমগী পাউথোং অমা থিবনি। অফঘানশিংগী তুংলমচৎ অমদি মরাইবক লেপকদবা ৱারেপ লৌগদবদি অফঘান মশাননি অমেরিকানশিংনা নত্তে। মশানা মশাগী লাইবক লেপনীংদ্রবা, মশানা মশাবু ঙাকচনবা পাঙ্গল-থৌনা মাঙখ্রবা, মীতোপ্পা ঙাকপী-শেনবীবা পাল্লবা মীওই-ফুরুপ অদুগীদমক্তি কনানা পাম্বোম-তিংনা লেপ্পীগনি? অফঘান মিলিতরি অমদি আর্মিশিংবু ত্রেনিং পীবা, মিলিতরি-মপাঙ্গল হেনগৎহন্নবখক্তদা অমেরিকা'না দোল্লার ত্রিল্লিয়ন কয়া চাদিং তৌখ্রবা, চহী কুনগী মতুংদা অকনবা নেসন অমা ওইনা হৌগৎলকপই মহুত্তা, তালিবানশিংদা মকোক নোনবা লান্মী ওইনা থোরক্লবদা লৈপাক্তুন্দই করি আশানো তৌরুদৌবা! অমেরিকাগী ওফিসল ওইবা ইনফোর্মেসনগী মতুংইন্না, অফঘানিস্তানগী লানসিদা অমেরিকান-লান্মী ২৪৪৮গী পুন্সি মাঙখি, ২০৭২২ অশোক-অপন নংখি, লানগী চৈথেঙদগী শোইনাইরবা মীওই লীশিং কয়া অমসু পূক্লিং-ৱাখল শোইনাইরবা মী ওইনা ময়ূম লমদমদা হল্লকখি। ওফিসল ওইদবা রিপোর্ট'তদি মীশি-মীনাগী চাং অসি শরুক কয়া খেন্নে। শিখিবা অমেরিকান লান্মী মশীং লাখ অমা মখায়রোমনি হায়বা রিপোর্ট অমসু লৈ।

অনৌবা অমেরিকাগী প্রসিদেন্ত 'জো বাইদেন'বু মালেমগী লুচিংবা কয়াগী চৈফম ওইবতা নত্তনা মরমদম অমেরিকান ময়ামগীসু তিনশীৎনফম ওইরিবনি। মীচৈ পুম্নমক্তু খাঙলগা 'বাইদেন'না হায়... 'ঐগী লৈঙাক মতমসিদদি মরম চাদবা মিসন অমগীদমক অমেরিকান অমত্তা অফঘানিস্তান'দা থাররোই.. চহী কুনগী মমাঙদা থোকখিবা থৌদোক অমগী পাউখুম ওইনা, ঙসিগী মীরোল অসিনা করিগী মথ্বায়না পোন্থা পীগদৌরিবনো? মখোয়না মায়োক্লগদবদি ঙসিগী প্রোব্লেম অসিনি... অফঘানিস্তান্দা থোক্লিবা টেরোরিষ্টকী অকি-অখঙ থবক্তগীদি সাউথ এসিয়া, মিদল ইষ্ট অমদি অফ্রিকাদা থোক্লিবশিং অসিনা শরুক কয়া তমথীবা হেল্লি'...। মহাক্না ঙাঙথোরকপা ৱাঙাঙদা, 'সিমগসু মমি নীংথিনা তাই, মদুদি, 'অমেরিকানা তালিবান অমসুং অল-কইদাগা অফোংবা লান মায়োক্লদুনা লৈদৌ শরুক 'মালেমগী সুপর পাৱর পোজিসন'দা শীংনরক্লিবা চিনা'গা লম্বা তৌনবা, লোয়নবা, লাক্লবা ৱারবা কোভিদ-১৯-পেন্দমিক অমদি মখা তানা লায়নাসিনা থোকহল্লক্কদবা অৱা-অনা মায়োক্লনবা শেম শাবদুনা, হৌজিকমক্কী ওইনদি হেন্না মরুওইবা থৌদাংনি'।

অমেরিকা অমসুং অতৈ নাতো-কন্ত্রিশিংনা চহী কুন চুপ্পা অফঘানিস্তানবু তালিবানশিংগী খুৎতা তাখিদনবা অমদি মখোয়দগী ঙাক-শেন্নবা হোৎনরকপদু ঙসি, তালিবানশিংনা অফঘানিস্তানবু অমুক হন্না মপূম ফানা খুদুম চনখ্রবা মতুংদা অমেরিকা অমসুং মাগা মীচঙ ওইরম্বা লৈপাকশিংগী লান্মীনা মফমদু থাদোক্লম্লগা লাকপা হায়বসি মখোয়গী মায়থীবা নত্তবরা? হায়না হংবা ৱাহংগী পাউখুম ওইনা জো বাইদেন'না খুমখি- 'অফঘানিস্তানগী অপূনবা লান্মী লাখ অহুমনি, ফবদগী ফরবা মতিক চাবা খুৎলায়সু মতিক চানা লৈরবা, মালেমগী কন-থৌরবা লৈপাক অমদগী করিমত্তা তাদ্রবা... অদুগা তালিবানগী অপূনবা লান্মী মশীংনা শুপ্পগী লীশিং হুস্ফুতরামঙাখক !... মখুৎতা পায়রিবা অফবা নোংমৈদু কাপ্তুনা তালিবানগা মায়োক্লবগী মথৌনা ফাওবা তাশীঞ্জবা ঙমদবা অফঘান-লান্মীশিংদুগীদমক অমেরিকা'না তৌগদবসি করিনো? অমেরিকানা অফঘানিস্তান'দা চৎখিবা মরম অনীখক্তগীনি- ওসামা বিন লাদেন'বু মহাক্কী মপু ইবুংঙোগী মনাক্তা থাবীবা, অমদি অল-কইদা'বু অমেরিকাদা অমুক হন্না শীংনবগী মথৌনা লৈহন্দবা! পান্দম অদু ফংলে, অমেরিকানা মায় পাক্লে- জো বাইদেনগী ৱাখলনি।

অদুবু, অমেরিকা'না অফঘানিস্তান থাদোক্তুনা চৎখ্রবা মতুংসিদা, লমদমসিদা অমুক্তা উখিদ্রিবা মওংদা থোক্লক্কদবা মীশি-মীনা, নুপীশিংগী মথক্তা চথুরক্কদবা মীওৎ-মীনৈ, কাং-খোং চাইরবা পোলিটিক্স, থিংবা ঙমদ্রবা তমথীরবা সিভিল-ৱার... অসিনচিংবদি শোয়দনা উরগদবা য়েংহৈদ্রবা দৃশ্য অমনি। অদুগুম্বা তানফমদা অমেরিকা অমুক হল্লকখিগদ্রা? তম্বা ঙমদবা অমা ওইরবসু কনামত্তনদি থাজদে।

লৌশিং পুক্কে

# হকচাং শাজেল তৌবনা

## অলজাইমর'স লায়নাদগী ঙাকথোকপা ঙম্মী : ষ্টদি



চাং নাইনা ফিজিকেল এক্টিভিটি তৌবনা মখল মখা কয়াগী হকশেলগী ওইবা কান্নশিং পী। অদুগুম্বা কান্নবশিং অদুগী মনুংদা কার্দিওভাস্ক্যুলর দিজিজ, টাইপ ২ দাইবিটিজ, তোঙান তোঙানবা পুক্লীং-ৱাখলগী অনাবশিং অমদি দিমেন্সিয়ানচিংবগী রিস্ক হন্থহনবা য়াওরি।

হকচাং খীং-খীং লাউনা লৈহনবনা ব্রেনগী ফ্লেক্সিবিলিটি মেন্টেন তৌবদা মতেং পাংবগা লোয়ননা নীংশিংবগী পাঙ্গলসু ফগৎহল্লি। মসিনা মীওইবনা চহী য়ামশিল্লকপদা নর্ভ সেল গ্রোথ অমসুং কন্নেক্টিভিটিদা ময়েং তাথরকপা য়াবগী ফিভম অদুবুসু হন্থহল্লি।

অলজাইমর'স লায়নাগী উচিগী মোদেল অমদা চথুখিবা হান্নগী রিসার্ছনা উৎখি মদুদি, হায়রিবা দিমেন্সিয়া মখল অসিগী মশক মওং লৈবা কোগ্নিটিভ ইম্প্যেরমেন্ট খরবু হকচাং শাজেলনা রিভর্স তৌহনবা ফাওবা ঙম্বা য়াই।

রিসার্ছ অদুগী সাইন্টিষ্টশিং অদুমক্লা হৌজিক অমুক খঙবা ঙমখ্রে মদুদি, ব্রেননা আইরন তূংশিনবগী মওংবু হকচাং শাজেলনা হোংদোক্তুনা অলজাইমর'স প্রোগ্রেস তপথহনবা ঙম্বা য়াই।

য়ুনিভর্সিটি ওফ ইষ্টর্ন ফিনলেন্দগী রিসার্ছরশিংনা লুচিংদুনা চথুখিবা ষ্টদি অসি ইন্টরনেসনল জর্নেল ওফ মোলিক্যুলর সাইন্সেসতা ফোঙলকখিবনি।

খ্বাইদগী কম্মন ওইবা দিমেন্সিয়াগী মখল ওইরিবা অলজাইমর'স দিজিজ অসিনা ৱাখল খনবা, মেমোরি, অমদি লোল (লেঙগ্বেজ)গী থৌদাং অমা লৌরিবা ব্রেনগী পার্টশিংবু দিজেনরেসন তৌহল্লি।

কুমজা ২০২০দা য়ুনাইটেদ ষ্টেট্সতা অলজাইমর'সকা লোয়ননা হিংবা মীগী মশিং মিল্লিয়ন ৫.৮ ওইখি। মখোয়শিং অদুগী মনুংদা অয়াম্বদি চহীগা মরী লৈনবা লায়না অমসুং জিনেটিক রিস্ক ফেক্টরশিংগা মরী লৈনৈ, অদুবু পুন্সি মরেলগী ফেক্টরশিং খুদম ওইনা হকচাং লেঙ ওৎতবা অমদি মচি ওইদবা দাইট অসিনা মরুওইবা থৌদাং লৌই।

অদুমওইমক, চপ চানা ফিজিকেল এক্টিভিটিনা ব্রেনবু অলজাইমর'সকী ইফেক্টশিংদগী মতৌ করম্না ঙাকথোকপগে হায়বগী মতাংদি ময়েক শেংনা খঙদ্রি।

অদুবু ক্লূ অমা হায়রগদি, মহৌশাগী ওইবা মওংদা অহল ওইশিল্লকপগী প্রোসেস অমসুং অলজাইমর'স হায়রিবা অনীমক অসি ব্রেননা আইরন হেন্দল তৌবগী মওংদা অহোংবা লাকপগা মরী লৈনবা অসিনি।

ব্রেনদা আইরন পৈখৎলকপা অমদি আইরন মেটাবোলিজমদা অহোংবা লাকপবু লায়না অসিগী মশক মওং তাকপা বেটা-এমাইলোইদ কৌবা হূ চেনবা প্রোটিন অমগী প্লাকশিং শাগৎলকপগা মরী লৈনৈ হায়না রিসার্ছনা তাকই।

চাং নাইনা হকচাং শাজেল তৌবনা আইরন মেটাবোলিজম ফগৎহনবা অমসুং হায়রিবা মিনরেল অসিনা ব্রেনদা তূংশিন্দুনা লৈরকপদগীসু ঙাকথোকপা ঙমই, অদুবু হায়রিবা ইফেক্ট অসিবু থোকহল্লিবা মেকানিজম অসিদি ময়েক শেংনা খঙদ্রি।

খঙবা ঙমদবা ৱাফমসিবু খঙনবা হোৎনবদা অনৌবা ষ্টদি অসিনা মতেং পাংই।

অনৌবা ষ্টদি অসিদা সাইন্টিষ্টশিং অদুনা অলজাইমর'সতা জিনেটিকেল্লি প্রিদিস্পোজ তৌরবা উচিশিংবু অচম্বা নৎত্রগা ৱাইল্ড ওইবা উচিশিংগা চাংদম্নখি।

উচিশিং অদুগী তঙ্খায় অমদি মখোয়গী মকোলশিংদা এক্সর্সাইজ হ্বিল নীং-তম্না শীজিন্নবা ফংহল্লম্মী অদুগা অতোপ্পা উচিশিংবুনা হেন্না সেদন্টরি ওইনা লৈহল্লম্মী।

থা তরুক্কী মতুংদা সাইন্টিষ্টশিং অদুনা উচিশিং অদুগী ব্রেন অমসুং মসলদা রেগ্যুলেট তৌনবগীদমক মথৌ তাবা প্রোটিন অমসুং আইরনগী লেভেল ওন্দুনা য়েংখি। মদুদা মখোয়না থেংনখি মদুদি, চেনবনা আইরন মেটাবোলিজম অমসুং মদুবু ব্রেনদা ট্রান্সপোর্ট তৌবগী মওংদা হোংহল্লি অমদি মসলদা আইরন য়াওবগী চাং হেনগৎহল্লি।

ব্রেনগী কোর্টেক্সতা আইরন তুংশিনববু প্রোমোট তৌরিবা ফেরিটিন অমসুং হেপসিদিন প্রোটিনশিংগী লেভেলবু হকচাং শাজেল তৌবনা হন্থহল্লি। অলজাইমর'স লায়নাদা প্রিদিসপোজ তৌখিবা উচিশিংগী ব্রেনদা বেটা-এমাইলোইদ য়াওবগী চাং হকচাং শাজেল তৌবনা হন্থহনবা থেংনখি।

মতম অসিমক্তদা, ইন্টরলিউকিন-৬ (আই এল-৬) হায়রিবা ইনফ্লেমেসন প্রোমোট তৌবা সিগ্নেলিং মোলিক্যুল অসিগী কন্সেন্ট্রেসনসু হকচাং শাজেল তৌবা উচিশিং অদুগী কোর্টেক্স অমসুং ব্লদ প্লাজমাদা ময়েং তাথরকখি।

মীওইবদা, হকচাং শাজেল চাং নাইনা তৌবনা ঈদা সর্ক্যুলেট তৌবা আই এল-৬কী চাং নেমথহল্লি, অদুগা লেঙ ওৎতবনা মসিগী লেভেল হেনগৎহল্লিবনি।

ব্লদ-ব্রেন বারিয়র লান্থোক্লগা চৎপা ঙম্বা আই এল-৬না ইনফ্লেমেসন মতমদা হেপসিদিনদা পীবা মসিগী ইফেক্টকী খুত্থাংদা আইরন তুংশিনবগী থৌওংবু প্রোমোট তৌরিবনি।

মসিনা মরম ওইরগা, হকচাং শাজেল চাং নাইনা তৌবনা আই এল-৬কী চাং নেমথহন্দুনা আইরন হোমিওষ্টেসিস কায়বগী থৌওংদগী ব্রেনবু ঙাকথোকপদা মতেং পাংই হায়না রিসার্ছরশিংনা পারি। আইরন হোমিওষ্টেসিস কায়বগী থৌওং অসি অহল ওইশিল্লকপা অমসুং অলজাইমর'স অনীমক্তা তৌবা থৌওং অমনি।

ষ্টদি অসিনা অলজাইমর'স লায়নাদা আইরন দিসরেগ্যুলেসনগী মরুওইবা অদু তাক্লি অমদি মশানা পাম্না চেনবগী থবক লোং-টর্মদা তৌবনা ব্রেন অমসুং স্কেলেটেল মসলদা আইরন হোমিওষ্টেসিস এদজষ্ট তৌই হায়বা উৎলি হায়না রিসার্ছরশিং অদুনা ফোঙদোক্লি।

আর্টিকেল অসি রিলাইএবল সোর্সতা য়ুম্ফম ওইরগা ফোঙবনি, অদুবু মসিনা মেদিকেল প্রোফেসনেলশিংগী পাউতাককী মহুৎ শিন্নবা হোৎনবদি নত্তে

# কংলাতোংবীগী চিলদ্রেন হোমদা আয়ুশকী হিদাকশিং খুৎশিন্নখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০২ (ঐচ এন এস): কংলাতোংবীগী চিলদ্রেন হোমদা কম্মিটি ওফ সিভিল সোসাইটি ওফ কংলৈপাক (সী সী এস কে)না আয়ুশকী হিদাকশিং খুৎশিন্নখ্রে।

হীরমসিগা মরী লৈননা সী সী এস কেগী ওর্গনাইজেসন সেক্রেটরি লাইখুরাম জয়েন্তনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, কুমজা ২০১৯গী অরোইবা শরুক্তগী চাইনাদগী হৌরক্তুনা মালেম শিনবা থুংনা কুমজা ২০২০গী অঙনবা শরুক্তগী কোভিদ-১৯গী লায়না লাইচৎ অসি শন্দোরক্তুনা ইন্দিয়া য়ৌশিল্লকখি। ইনি দয়াগী মফম অয়াম্বদা মণিপুরগী মহৈ তল্লিবা মহৈরোয়শিং চৎথোক-চৎশিন তৌবনা মরম ওইদুনা মণিপুরদসু কোভিদ-১৯গী লায়না লাইচৎ অসি শন্দোরক্তনা অহানবা, অনীশুবা লোয়ননা হৌজিক অহুমশুবা ৱেভ লাক্লগনি হায়বগী মীপায়বা পোক্লদুনা লায়না শন্দোরক্তুনবা চেকশিন থৌরাং কয়া লৌখৎমিন্নরি।

মণিপুর লৈঙাক, সিভিল সোসাইটিজ অমদি মহৈরোয় লূপ কয়ানা লায়না লাইচৎ অসিবু শন্দোরক্তনবা অকনবা চেকশিন থৌরাং কয়া অমা লৌখৎতুনা অমত্তা ওইনা পুন্না থেংনমিন্নরি। মসিগী শরুক অমা ওইনা সী সী এস কেনা লিশাং শিংনা চথুরকপা থবক থৌরমশিংগী মনুংচন্না আয়ুশ দিপার্টমেন্টকী মতেংগা লোয়ননা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী কংলাতোংবী চিলদ্রেন হোমদা সী সী এস কেগী ভাইস প্রসিদেন্ট থিয়াম শরতনা আয়ুশকী হিদাকশিং খুৎশিন্নখি। লোয়ননা ঈ ৱাই দি সী ক্লব লম্বোইখোংনাংখোংগী ভলন্টিয়রশিংদসু আয়ুশকী হিদাকশিং অসি খুৎশিন্নখি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

# অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০২ (ঐচ এন এস): হৌখিবা ওগষ্ট থাদসু অমুক্তদা লুপা ২৫ হেনগৎখিবগী মীয়াম্না পেন্নদবা ফোঙলিঙৈ চৈরক্তা সেপ্টেম্বর থা হেক চঙলকপগা ইন্দিয়া লৈঙাক্না অমুক্সু চাকথোং গ্যাস সিলিন্দর অমা রিফিল তৌবদা লুপা ২৫ হেনগৎহল্লকপা হায়বসি ওল মণিপুর নুপী মরুপনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোক্লি হায়না ওল মণিপুর নুপী মরুপকী প্রসিদেন্ট এম শখিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, নরেন্দ্র মোদিনা লৈঙাক হেক পায়রকপগা চাকথোং গ্যাসকী মমল অসি লুপা ৪১০ খক্তং পীরম্বনি। অদুবু ঙসিদি লুপা ১০৩৫ য়ৌরে। চাদা ১৩০গী চাংদা মমল হেনগৎহনবা ঙম্লিবা প্রাইম মিনিষ্টরগী থৌশিল অসি মিদল ক্লাস অমসুং লায়রবা মীয়ামগী পুন্সি খামথেকহনবনি হায়বা লৌই। অদুগা তশেংনা মসিদি লৈবাক অসিদা লৈরিবা লায়রবা নুপী মীয়াম্বু ওৎপনি। নুপীশিংবু নমথবনি। মরম অদুনা বি জে পি লৈঙাক্না খুদক্তা চাকথোং গ্যাসকী মমল হেনগৎলিবা অসি হন্থহনগদবনি হায়নসু চেরোলদুনা ফোঙদোরক্লি।




POST VACANCY

Applications are invited from the eligible candidates for the following Post on the plain paper with Bio Data.

| Sl No. | Name of Post | Qualification | No. of Post | Last date of application submission | Date of Interview |
|---|---|---|---|---|---|
| 1 | PGT in Fine Arts | MFA/MVA | 02 | 14th Sept. 2021 | 15th Sept 2021 |
| 2 | TGT in English | MA/BA English | 02 | | |

HL-P/6917/2, 3

# অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০২ (ঐচ এন এস): অপূনবা জিরিবাম মৈরা পায়বী (এ জে এম পি)গী জোইন্ট সেক্রেটরি ওইরম্বী থৌনাওজম ওংবী অমুরৈনা খঙহৌদনা লৈখিদবদা অপূনবা জিরিবাম মৈরা পায়বী, ওল জিরিবাম য়ুনাইটেদ ক্লবস এসোসিএসন, এম এস এফ দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটি জিরিবাম অমদি অমৱোভা জিরিবাম ব্রাঞ্চকী থৌমীশিংনা মিনিট অনী তুমীন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে। লোয়ননা লূপশিং অসিনা লৈখিদ্রবীগী ইমুং-মনুংনা নংহৌরিবা অৱাবদসু শরুক য়ারক্লি।

মমি ৱারী | ভিক্টর নিংথৌজম





লোক্তাক্লা ঐখোয়গী মিংশেলনি হায়রিবসি থৌজিক্তি ঈকায়বা মতম ওইরে। লোক্তাক পাৎ কনানা মোৎশিল্লি, নম্বুল তুরেল অমসুং অতৈ তুরেল মপালদা হন্দোক্লিবা অমোৎপা মপৈ মপৈ প্লাস্তিক পোত্থি পোৎকুম কয়ানা মোৎশিল্লক্লিবা তুরেলগী হকচাংশিং কনানা শেংদোক্কনি, কনানা অদুম মোৎশিনগনি। লোক্তাককীদমক ভামীশিংগীদমক ঐখোয়না করি তৌবা মতম ওইরে অমুক্তং খল্লমিন্নসি নৎত্রগদি ঐখোয়গী লোক্তাক অপুম্বা ঈশিং ওনখ্রনি।